**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি সি.এম. সেক্রেতরিয়েটতা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

২) ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগনি।

৩) নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী জেনেরেল মেনেজর অসিস বন্সালনা ঙসি নোনে জিলাদা পায়খৎলিবা রেলৱেগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা দিজিতেল টুল মরি অমসুং নুপা অমদি নুপী মশক তাকপা মাস্কোট, প্রগাতি অমদি বিকাশ ঙসি নিউ দিল্লিদা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) নোংচুপ এসিয়াগী উংখৎনবগী ফিভমদা লৈবাক কয়াসু য়াওশিল্লকপনা তংদু লৈতাদবা হেনগৎলক্লি।

------

কেবিনেট (এল)ঃ মুখ্য মন্ি যুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি সি.এম. সেক্রেতরিয়েটতা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙমবা ৱাফম কয়া খন্নখি। লোয়ননা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং নিয়ম চুমা চৎনহন্দুনা অফবা মীয়ামগী সরকার অমা লৈরি হায়বগী মমি তানবা

হোৎনবা য়াওনা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা পায়খৎনবসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

এসেমব্লি(এল)ঃ  ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগনি। মণিপুর বিধান সভাগী সেক্রেতরিনা হিরম অসিগী মতাংদা চেরোল অমা থোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা মতম শাংনা রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরক্লুবা মতুংদা অনৌবা সরকার অমা শেমদুনা ফেব্রুৱারি ৫ দা মণিপুর বিধান সভা মীফম পাঙথোকখি। ১২ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭ শুবা মীফম অদু নোংমখক্তা ফম্লগা মতম কক্তুনা য়ৈথোকখিবনি।

রেলৱে (এল)ঃ  নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী জেনেরেল মেনেজর অসিস বন্সালনা ঙসি নোনে জিলাদা চত্তুনা অৱাং খুল রেলৱে ষ্টেসনগী ফিভম অমদি মরাং চীংগী টন্নেল নম্বর ২৫ গী ফিভম য়েংশিনখ্রে। শ্রী বন্সালগী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা নুংতেক্কী রেলৱে য়ার্দসু য়েংশিনখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা চীফ এদমিনিষ্ট্রেতিভ ওফিসার বিবেক সক্সেনা অমদি এন.এফ. রেলৱেগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার লোয়নখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী ফনতু খৌদাম ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা নারি শক্তি অমদি বিকাশ ভারত হায়বা হিরমদা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অদু ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রলয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন, ফিল্ড ওফিস চান্দেলনা শিনবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপা অমদি মশা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। লৈবাক অসিনা নীংখা তমখিবা চহি চামা মপুং ফারকপা ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা সরকারনা পান্দম থম্লি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি।

এৱারনেস (এল)ঃ মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা নম্বুল মপাল য়ুথ ক্লব, কৈশামথোং অহন্থেম লৈকাই শিনদুনা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অমা হৌজিক পাঙথোকখ্রে।

ফ্রি লিগেল এইদ, চাইল্ড রাইটস, চাইল্ড মেরিএজ অমসুং মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফিয়ার ওফ পেরেন্টস এন্দ সেনিয়ার সিটিজন এক্ট-২০০৭ গী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

কেম্পেন (এল)ঃ কম্মুনিতি দিভলপমেন্ট এন্দ ইকোনোমিক ইম্পৱারমেন্ট ওর্গনাইজেসন থৌবালগী লমজিং মখাদা নুমিৎ হুমি চুপা চথুগদবা দ থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কেম্পেন ঙরাং থৌবাল থোংখোঙ ময়াদা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসনগী শান্নবুংদগী লমথাখ্রে। থৌরম অদ্দা এম.এল.এ-শুরজাকুমার ওক্রম শরুক য়াখি।

কেম্পেন অসি মরুওইনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা থৌবাল তুরেল কন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং নিংথিনা থেংনদুনা মায় পাকপা পুরকপা ঙমবা হোৎনবা হায়বসিনি। লোয়ননা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামা থৌবাল তুরেল কন্নবগী ৱারোলশিং থাবা প্লেকার্দ কয়া পায়বগী লোয়ননা তুরেল অসিবু কন্নবা অমত্তা ওইনা ৱাশক লৌমিন্নখি।

হেলথ (এল)ঃ রিমস ইম্ফালগী দেন্টেল কলেজগী মখাদা লৈবা পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্টিভ দেন্টিষ্ট্রিনা কংলৈচা য়াইফ লমজিং লুপকা খুৎশমদুনা ককৱা নামৈরাকপম অমসুং নাওরেম লৈকাইদা নোংমগী ওইবা য়া লায়েংবগী কেম্পে অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু মরুওইনা অঙাংশিংবু য়াগী অনাবশিংদগী ঙাকথোকবগী পান্দমদা ইন্দিয়ান সোসাইতি ওফ পেদোদোর্ন্টিক্স এন্দ প্রিভেন্তিভ দেন্টিষ্ট্রিগী মখাদা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অদুদা পুন্না অঙাং ৬০ রোম লায়েংখি লোয়ননা য়া নারক্তনবা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদসু খঙহনখি।

সাহ্ ঃ গৃহ্ মন্ত্রি অমিত সাহ্‌না দিজিতেল টুল মরি অমসুং নুপা অমদি নুপী মশক তাকপা মাস্কোট, প্রগাতি অমদি বিকাশ ঙসি নিউ দিল্লিদা মায়খুম হাংদোকখ্রে। মসি গৃহ্ মন্ত্রিনা হৌদোকখিবা দিজিতেল টুলশিং অদুগী মনুংদা হাউস লিষ্টিং ব্লোক ক্রিয়েতর, ৱেব এপ্লিকেসন, ঐচ.এল.ও মোবাইল এপ্লিকেসন, সেল্ফ ইন্যুমুরেসন পোর্তেল অমসুং সেন্সস মেনেজমেন্ট অমদি মোনিতরিং সিষ্টেম পোর্তেল য়াওরি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গৃহ্ মন্ত্রালয়না হায়- সরকারনা ইং ২০২৭ তা মীকোক থীনবা হৌখিবা চহিগী জন্ ১৬ তা গেজেদ নোতিফিকেসন থোকখ্রে। মীকোক থীবগী থবক অসি তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। মন্ত্রালয়না হায়- মীকোক থীবগী থবক অসি পায়খৎনবা ইন্যুমুরেতর, সুপরভাইজর অমদি সেন্সস ওফিসিয়েল পুন্না ৩০ হেন্না মথৌ তৌনবা থৌরাং তৌরে। ইং ২০২৭ তা মীকোক থীগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি মায়খুম হাংদোক্লিবা মাস্কোট অসি মরুওইনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাওখৎ ভারত অমা ওইহনবদা নুপা নুপী পুন্না থোং মান্ননা শরুক য়ানবনি।

এমওয়ু ঃ ভারত অমসুং ফিনলেন্দগী মরক্তা ইনভাইরোনমেন্ট, মাইগ্রেসন অমসুং ষ্টেটিষ্টিক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা তেংবাং পীননবা য়ান্নখ্রে। নিউ দিল্লিগী হাইদ্রবাদ হাউসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফিনলেন্দগী রাষ্ট্রপতি অলেকজেন্দর ষ্টর্ব অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মরক্তা য়ান্নচে সহি তৌনখিবনি।

লুচিংবা অনিনা পুন্না থোকপা চেরোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- মালেমদা ঙসি চরাংনবা অমসুং তন্বা ঙমদবা ফিভম মায়োকরি। যুক্রেনদগী হৌদুনা নোংচুপ এসিয়াদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়া উংখৎনবা ফিভম লৈরি। মরক অসিদা ভারত অমসুং য়ুরোপকী মরক্তা তেংবাং পীনদুনা মালেমদা তংদু লৈতাবা অমসুং চাওখৎপা পুরকবা হোৎনরি। মহাকা হায়- ভারত অমসুং ফিনলেন্দনা মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লানগী মতেংনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়না ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়- উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবশিং য়ারিবা মখৈ অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা লৈবাক অনিনা হোৎনগনি। মহাকা হায়- ২০২৬ হৌরকপদা ইন্দো-য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ত ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট সহি তৌনখি। মসিগী মখাদা ভারত অমসুং ফিনলেন্দগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা অমসুং টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীননবা হেনগৎহল্লগনি।

মীখল ঃ রাজ্য ১০ দা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভা সিট ৩৭ কী মীখলগী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসিনা লোইরে। মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৯ নি।

বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং জে.দি.য়ুগী প্রসিদেন্ট নিতিশ কুমার ঙসি রাজ্য সভা মীখলগীদমক মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখ্রে। পাটনাদা লৈবা বিহার লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী সেক্রেতরিদা মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখি। মীরেপচে পীশিনবা অদুদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং বি.জে.পি নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন লোয়নখি।

মীরেপচে পীশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা শ্রী নিতিশ কুমারনা হায়- বিহার বিধান সভা অমসুং সংসদকী সদস্য ওইবা অসি মহাক্কী অপাম্বা ওইদুনা লাকপনি। চহি ২০ হেন্না বিহারগী মুখ্য মন্ি ওইহনবগীদমক রাজ্য অদুগী মীয়াম্না মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী নিতিশ কুমারনা হায়- বিহার অসি চাওখৎপা অমসুং মশাগী ফিরেপ লৈজবা রাজ্য অমা ওইনা খুমাং চাওশিল্লি। মহাকা হায়- রাজ্য অদুগী মীয়ামগা লৈনরিবা মরী মখা তানা অদুমক লৈনখিগনি অমসুং অনৌবা সরকার লাকপদা মহাকা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

মহারাষ্ট্রগী ওইনা সিট ৭ তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক বি.জে.পিগী মীরেপ ওইনা রামদাস আথৱালে, বিনোদ তাওরে, মায়া চিনতামন ইনৱাতে অমসুং রাম রাও ৱারকুতে মীরেপচে পীশিনখ্রে।

শিব সেনাগী ওইনা জ্যোতি ৱাগমারে, এন.সি.পিগী মীরেপ পার্থ পৱারবু মীখল থেংননবগীদমক খনখ্রে। অমরোমদা, মহা বিকাশ আঘারিগী মীরেপ ওইনবা শরদ পৱারবু অমুক হন্না খনখ্রে।

সাইক্লিং ঃ  কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমদি স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা রোড সাইক্লিং লিগতা য়ুম্ফম ওইবা সাইক্লিং লিগ ওফ ইন্দিয়াগী অহানবা লোগো ঙসি ফোংখ্রে।

থৌরম অদুদা ডাঃ মন্সুক মন্দাভিয়ানা হায়- লৈবাক অসিদা সাইক্লিংবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকবা পায়খৎপা খোঙথাং অমনি। মহাকা হায়- খোঙথাং অসি হন্দক্তা লৈবাক অসিগী ওইনা সাইক্লিংবু পামজবা নহাশিংনা মশান্না অসিদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরকপদগী সরকারনা খোঙথাং অসি লৌরকপনি। মসিনা নহা কয়াবু মশান্না অসিদা হেন্না পুকিং থৌগৎনবা মচাক অমা ওইরগনি।

মন্ত্রালয়না ফোংদোকপগী মতুংইন্না হন্দক ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লিগ অসিদা মালেমগী থাক্তা লৈরিবা রাইদরশিং শরুক য়াহন্নবা থৌরাং তৌরি।

লান ঃ    নোংচুপ এসিয়াগী উংখৎনবগী ফিভমদা লৈবাক কয়াসু য়াওশিল্লকপনা তংদু লৈতাদবা হেনগৎলক্লি। আমেরিকা অমদি ইজরেলনা ইরানগী মথক্তা পুন্না এয়ার ষ্ট্রাইক চথুরকপদগী টেহরাগী মাইকৈদগীসু হন্দুনা মিসাইল অমদি দ্রোন্নচিংবা কয়া কাপশিন্দুনা লান্থেংনরি।

হৌজিক লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ইরাং থোকপগী চাং হেনগৎলকপদা নত্তনা ইরানগী খুৎলায় পায়বা লুপ হেজবুলাসু লান অসিদা য়াওশিনখ্রে।

মরক অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা খুৎ থোকবগী থৌদোকশিং লেপবা আপীল তৌবগা লোয়নননা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মালেমগী অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদসু মীপাইবা পোকহন্নবা মচাক অমা ওইরক্লি। ঙসি অঙনবদা ইরান্না ইজরেল অমদি আমেরিকাগী বেজশিংদা নৌনা এটেক কয়া চথখ্রে অমদি ভারত মহাসাগরদা মথৌ তৌরিবা ইরানগী লানগী জহাজ অকায় অতোই থোকহনখিবা অদুগী মহয় ফংগনি হায়নসু ইরান্না চেকশিন ৱারোল থমখ্রে হায়রি।

জয়শঙ্কর ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙসি ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর সয়েদ অবাস অরাঘচিগা ৱারী শান্নখ্রে। ডাঃ জয়শঙ্করনা ওমানগী ফোরেন মিনিষ্টর সায়িদ বাদর বিন হামদ বিন হামুদ অল বুসাইগিগসু নোংচুপ এসিয়াগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

বিক্রম ঃ ভারতকী ফোরেন সেক্রেতরি বিক্রম মিস্রিনা সরকারগী মহুৎ শিন্দুনা ঙসি দিল্লিদা লৈবা ইরানগী এম্বেসিদা অৱাবা ফোংদোকপগী চেরোল অমা সহি তৌখ্রে। ইরানগী লুচিংবা আয়তোলা আলি খামেনৈনা লৈখিদবদা শ্রী মিস্রিনা অৱাবা ফোংদোকখি।

দাইলোগ ঃ ১১ শুবা রাইসিনা দাইলোগ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হৌদোক্লগনি। ঙসিদগী হৌরগা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ রকশুবা রাইসিনা দাইলোগতা শরুক য়ানবা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়া ন্যু দিল্লিদা থুংলরে।

রাইসিনা দাইলোগতা মালেমগী লৈবাক ১১০ গী লুচিংবশিং য়াওনা পুন্না মীওই লিশিং ২,৭০০ লোম শরুক য়াগনি।

জয়ন্ট ঃ স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুরসিপকী রাজ্য মন্ত্রি জয়েন্ট চৌধুরিনা হায়রি- ভারত অসি খুৎ-শা হৈরবা নহা খ্বাইদগী মশিং হেন্না লৈবা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

ফিনলেন্দগী ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি মাসিয়স মার্তিনেনগা উন্নবদা শ্রী চৌধুরি হায়- ফিনলেন্দগী ভোকেসনেল অমদি টেকোলোজিগী মতেংনা ভারতকী মশিং য়াল্লবা নহা কয়াবু খুৎ-শা হৈবগী লমদা খুমাং চাওশিনহনবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- লুচিংবা অনিনা উন্নবা অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহনবতা নত্তনা নহা কয়াবু খুৎ-শা হৈবগী লমদা মালেমগী থাক য়ৌহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

যুএন ঃ নুপী মিল্লিয়ন ২৯০ হেন্না কান্নবা ফংহল্লিবা ভারতকী বেঙ্কিং প্রোগ্রামবু য়ুনাইতেদ নেসন্সনা থাগৎখ্রে। য়ু.এন. ৱিমেন পোলিসিগী দাইরেক্তর সন্দ্রা হেন্দ্রিকনা হায়- নুপীশিংদা চাউনা অওনবা পুরকবা হোৎনরিবা অমসুং নুপীশিং দিজিতেল ওইনা শক তাকবা হোৎনরিবা অসি ভারত সরকারগী থৌশিল মতৌ তমজনিঙাইনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি জন্ন ধন য়োজনা হৌদোকখিবা চহি ১২ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা নুপীশিং চাদা ৫৬ থৌরাং অসিগী মখাদা বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোক্লে। নুপীশিংগী ওইনা লৈবাক অসিগী ৱাংমদা দিজিতেল বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংদোকপদা লাইথোকহনবা অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা বেঙ্ককী খুদোংচাবা ফংহনবদা চাউনা মতেং ওইরি।

নেপাল ঃ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেপালদা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলগী ভোট ঙসি থাদনখ্রে। মীখল অসিদা কে.পি. শর্ম্মা ওলিগী কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (য়ুনিফাইদ মাক্সিস-লেনেনিষ্ট) (সি.পি.এম-য়ু.এম.এল), সের বহাদুর দিয়োবাগী নেপালি কংগ্রেস অমসুং পুস্পা কমল দহলগী সি.পি.এন (মাওইষ্ট সেন্টর) অমসুং বালেন্দ্র সাহগী রাস্ত্রিয়া স্বতন্ত্র দলনা মরুওইনা লম্বা তৌনরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ক্রিকেট ঃ আই.সি.সি. মেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হৌজিক মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা ভারত অমসুং ইংলেন্দ শান্নরি।

ক্রিকেট ঃ ৱিমেন্স অন্দর ত্বেন্তি থ্রি ৱান ডে ত্রোফি প্লেটকী ঙসি চান্দিগরগী সেক্তর সিক্সতিনদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর মায় পাকখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরনা মেকাবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ১৪ শুবা ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি.এস.এ বিষ্ণুপুরনা দি.এফ.এ থৌবালবু পাঞ্জল ২-১ দা

থোইখ্রে।

চৈবী ঃ       ১২ শুবা কংলৈপা চৈবী য়েন্দমবা ঙসি লোইশিনখ্রে। তোঙান তোঙানবা মহৈ লোইশঙশিংদগী লাকপা মহৈরোই ৫৮ না শরুক য়াদুনা চথখিবা য়েন্দমবা অদুদা নুপামচাগী কিলোগ্রাম ৩৫ মখাগী কাংলুপ্তা টি.ঐচ. মঙাল অমদি নুপীমচাগী কাংলুপতা কে.এস.ঐচ. নুংশিবালানা অহানবা তাখি। কিলোগ্রাম ৪০ মখাগী কাংলুপ্তুনা চিরোম জোনসন অমসুং নুপীমচাদনা এম. রানিদা অহানবা তাখি। কিলোগ্রাম ৫০ মথক্কী নুপামচাগী কাংলুপ্তা টি.ঐচ. রোবার্টনা অহানবা তাখি।

থাং-তা ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুমাম হুইদ্রোম থাং-তা শঙলেনদা চথরকখিবা ৯ শুবা কংলৈপাক থাং-তা চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা থাং-তা মহৈকোল য়ুমাম হুইদ্রোমনা টিম চেম্পিয়ন অমদি লাইনিথৌ কাংবা থাং-তা শিন্দম শঙ কামোংনা রন্নরসঅপ তাখি।

------